ক্ষেত্রিগাও এ সীদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা পায়খৎলিবা থবক্তা মতেং ওইননবা লাইতোঞ্জম ওংবী শান্তিগী ইমুং-মনুংনা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা লুপা লিশিং ৭৫ তেংবাঙখিবা

অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপনা শীন্দুনা খোংমন ওক্রম চুথেক্তা লৈবা মিহুলস থাঙ-তাগী শঙলেনদা হুয়েন লানলোংগী ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা পুখ্রম্বা কাজাউ নীংশিং নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখিবা

NGAKNABA LANPHAMDA
PONTHA PIKHRABA
Apunba Lanmee
KAJAO, 1891
APUNBA
nised by
HUYEN LANLONG LUP, AMHLL

ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ সেন্টরশিংদা ভেক্সিনেসন চত্থবগুম হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর শামুরৌদা চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং কোভিদ ভেক্সিন কাপখিবা

রিমসতা এম বি বি এস ৮-শুবা সেমিষ্টরদা তম্বা মহৈরোয় অমা লৈখিদবদা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা লুচিংদুনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী থৌরম

AUDITORIUM
Inaugurated
by
SHRI A B VAJPAYEE

লুপা ৭৫,০০০ কংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস) :

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী মীৎয়েং মখাদা এ সী অসিগী মীয়াম্বু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং ওইননবা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দগী লাইতোঞ্জম ওংবী শান্তি অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংনা ক্ষেত্রিগাও এ সী এম এল এ কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা লুপা ৭৫,০০০ দোনেট তৌখ্রে। শেনফম অদু লাইতোঞ্জম ওংবী শান্তি, লাইতোঞ্জম মোমো অমদি লাইতোঞ্জম বেবেকানন্দ য়াওনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎতা খুৎশিন্নখি হায়রি।

রিমসনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস) :

রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালদা এম বি বি এস ৮-শুবা সেমিষ্টর তম্লিবা হর্সেমরননা খঙহৌদনা লৈখিদবদা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্ত, রিমস হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর ঐচ প্রিয়োশখি, দিন একাদেমীক প্রোফেসর ব্রোজেন অকোইজম, চীফ ৱার্দেন প্রোফেসর সঞ্জিব নেপ্রম, ফেকল্টি মেম্বরশিং, ৱার্দেনশিং, ওফিসলশিং, ষ্টাফ অমদি মহৈরোয়শিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিখ্রে হায়রি।

ওক্সিজেন সিলিন্দরগী রেগ্যুলেটর খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস) :

ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ককচিংদা হাংলিবা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কোভিদ ক্যের সেন্টরদা শীজিন্ননবা ওক্সিজেন সিলিন্দরগী রেগ্যুলেটর ৬ ককচিং রন্নর্সনা সী এম ও, ককচিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

ঙসি ককচিং রন্নর্সকী সিনিয়র এদভাইজর ওইবগা লোয়ননা ইভেন্টকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর য়েংখোম রাজেন্দ্রনা লুচিংবা ককচিং রন্নর্সকী থৌমীশিংনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সী এম ও থৌদেম রাজেনদা পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখি।

ওক্সিজেন সিলিন্দরগী রেগ্যুলেটর খুৎশিন্নবা থৌরম অদুদা য়েংখোম রাজেন্দ্রনা হায়খি, কোভিদ-১৯না নারবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওইশিং লায়েংনবা লৈরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অসিদা ওক্সিজেন সিলিন্দরগী রেগ্যুলেটরগী অৱাৎপা খরা লৈরে হায়বদা ককচিং রন্নরনা পোৎলমশিং অসি লৈরুরগা ঙসি খুৎশিন্নবনি। মমাঙগী অহানবা ৱেভকী মতাংদসু সী এম কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা লুপা লিশিং ৫০গী তেংবাঙ পীখিবসু লৈখ্রে। হৌজিক কোভিদ-১৯না নাদুনা লায়েংলগা লৈরিবা খূদিংমক থুনা ফগৎতুনা য়ুম-য়ুমদা হনবীরগা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা নুংঙাইনা লৈবা ঙম্বা তাইবং মপুনা পীনবীরসনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

চান-থক্লবা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস) :

হৈরোক্কী কন্টেনমেন্ট জোন এরিয়াদা হৈরোক পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান টি ঐচ ভানুবতিনা ইমুং ৪৭তা চান-থক্লবা মতেং পাংখ্রে।

ঙসি হৈরোক পার্টটুময়াই লৈকায়দা লৈবা মীওই ২ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী চৎপা থোকপা য়াদনা লৈরিঙৈ তাল্লক্তা য়ুমথংনবা মীওই অমসু পোজিটিভ ওইরকপদগী, চৎপা থোকপা য়াদনা লৈরিবা য়ুমথোঙ ৪৭তা নোংমদা হাউস হোল্ড আইটেম (চেঙ কে জি ৩, আলু কে জি ২, থুম কে জি ১, থাউ, ঙারি অমসুং সেনিটাইজর) শিং গভর্ণমেন্ট পীবা চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা হৈরোক পার্ট টু জি পিগী প্রধান টি ঐচ ভানুবতিনা মশা-মশাগী থোঙ্গালদা থল্লগা য়েন্থোকখ্রে।

প্রধান ভানুবতিনা হায়, ঙসি য়েন্থোক্লিবা অসিনা অহৌবনি। মখা তানসু তেংবাঙ পোৎলম য়েনখিগনি। লোয়ননা লৈঙাক্লা পীবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু। ইশা-ইশানা ৱাখল তানা য়ুমদগী মপান থোকপীদনা লেংদনা লৈবীয়ু। চান-থক্লবা পোৎলম থিঞ্জরক্লে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯গী ৩শুবা ৱেভতগী লাপ্পা লৈবা খুন্নাই অমা শেল্লসি : পি পি সী এম

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভতগী লাপ্পা লৈবা খুন্নাই অমা শেল্লসি হায়না প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজর্ভেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সী এম)না ফোঙদোরক্লি।

পি পি সী এমগী পব্লিসিটি সব-কম্মিটিগী কনভিনর তোংব্রম ওংবী ইবেমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯না মথং-মথং মালেমগী লৈবাক কয়াদা পাক্তক্লনা শন্দোরকপদগী ঙসিদি লায়না-লাইচৎ অসিনা শিন-থুংনা নাহন্দুনা মালেমগী অৱাবা পুৱারীদা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্না হাৎপা লায়না-লাইচৎ অমা ওইরি। লায়না-লাইচৎ অসিনা ঙসিদি মীওইবগী সিভিলাইজেসনদা খ্বাইদগী চাউনা শীংনরি। ঙসি ফাওবদা লায়না-লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মীগী মশীং অসি ৩৮,৮৮,৬৫৬ হেনখ্রে। হায়রিবা অসিগী মনুংদা মালেমগী চাউখৎ লমজেলদা মাঙজিল থারিবা য়ু এস এনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। মসিগী হেক মথংদা ইন্দিয়ানা অনীশুবা মফম কন্দুনা চৎলি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মীশি-মীনা নেম্বা লৈবাক্লা সিঙ্গাপোরনা ওইরি।

চেরোল অসিনা হায়, লায়না লাইচৎ অসিগী অহানবা ৱেভতা ইন্দিয়ানা লায়না অসিবু করম্না থেংনখি। অদুগা হন্দক্কী অনীশুবা ৱেভ লাকপা মতমসিদা থেংনরিবা মওং অসিগা চাউনা খেন্নবা অমা মীয়াম্না উরি। মমাঙদা ফংখিবা চৈনা চৈফুনা মরম ওইরগা মথংগী চেকশিন থৌরাংগী অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌফম থোকপা হায়বসিদা অহোবা অমা লৈবগুম হন্দক্কী অনীশুবা ৱেভ অসি লাকপা মতমদদি ইন্দিয়ানা লায়না লাইচৎ অসি থেংনবদা অৱাবা, খুদোংচাদবা ময়াম অমা মায়োক্লখি হায়বা য়াই। মসিগী খুদম হায়ববু লায়না অসিনা নারবা মীওই কয়া ওক্সিজেন ফংদবদগী থৱায় থাখি। হৌজিকসু অৱাৎ-অপা কয়া অমা মায়োক্লরি। হীরম অসিগী মতাংদা থমজনিংবদি ইন্দিয়ানা লায়না লাইচৎ অসিবু থেংনবদা সাইনটিফিক এপ্রোচতা চঙশিনবগী মহুৎতা ট্রেদিসনল প্রেক্টিসতা খরা হেন্না থাজবা থমখিব্রা হায়বসিনি। মসিগী মরমদা থিজিল্লিবা কাঙবুশিংনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়নশিং চাদা ৫০দি ফেস মাস্ক শীজিন্নদ্রি হায়রি। মসিমক মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা চপ চাবা নোটিফাইএবল লৈখিদবরা অমদি মীয়ামদা ফেস মাস্ক শীজিন্নবগী এৱ্যের্নেস অমদি কাউন্সেল্লিং ৱাৎখিবরা হায়বগী মমি তাই। হৌজিক নৌনা ইন্দিয়াদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরাইয়ন্ট অসি অসুক্কী মতিক মপাঙ্গল কল্লি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্টকী চীফ মেদিকেল এদভাইজর ডা. এন্থোনি এস ফোসি ফাওবনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। লায়না লাইচৎ অসিনা ঙসিদি ইন্দিয়াগী মীয়াম অমদি শেল-থুমদা অচৌবা চৈফু অমা পীবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদসু চাউনা চৈথেং ফংলি।

ইরমদম মণিপুরদসু লায়না লাইচৎ অসিনা মমল য়াম্লবা পুন্সি কয়া নোংমা কাংদনা পুন্সি পীখম্নরি। হৌজিক মণিপুরদা লাইচৎ অসিগী অহানবা ৱেভকী চৈফু অমদি অমাঙ-অতাগী অৱাবা কোক্ত্রিঙৈ চৈরক অনীশুবা ৱেভকী শাফু অমা ননশিল্লকপদগী ঙসিদি লমদম অসিগী মীয়াম অসুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লরি। মচিন্দা ৱারে নোংমত্তা হায়গন্দ্রবা, লৈত-লায়রা উহন্দ্রবা খুন্নাই অমা ওইরকপনা অশেংবা মশক খঙদ্রবসু মণিপুরীশিং চাকখুম মৈ মুৎপা কোঙ্গাই অমা লৈরি হায়বসিদি চুম্লবনি। তাঞ্জাসিদা পোৎচৈ লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা মীয়ামগী নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎচৈগী মমলদা লৌনিংবদা লৌরি। লৈঙাক্লা লেপ্পা পোৎচৈগী মমলবু মখোয়না খোঙ্গাওনরি। শুবা নোম্বা য়াদনা লাইচৎ অসিগী ৱাখলদা এঞ্জাইটি/দিসওর্দর ওইদুনা লৈরিবা মীয়ামদগী লাইচৎ অসিগী মিংদা অচৌবা শেন্দোং লৌগনি খল্লিবা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা খুদক্তগী পোৎকী মমল লৈঙাক্লা লেপ্লিবা মমলদগী হেন্না য়োনবগী থবক খুদক্তগী লেপ্পীয়ু। লোয়ননা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙবীদুনা লেপ্লিবা মমলদা মীয়ামদা ফংহনবীয়ু।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক মীয়াম্না খম থেংনা ৱানরবা মতমসিদা নফসাগী মখাদা প্রাইওরিটি হাউস হোল্ডগী রসন কার্দ পায়বা বেনিফিসরি অমনা থা অমদা সবসিদাইজ রেটতা লুপা ৩দা চেঙ কে জি ৫ ফংগদবশিংনা কে জি মশীং শুনা ফংদবগী ৱাথোক অমা লাক্লিবা অসিগী মতাংদা কম্মিটি অসিনা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিশিংগী এম এল এ নোমিনিশিং, এজেন্টশিংগী মফমদা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চেঙগী চাং ফংহন্ননবা আপিল তৌরি। লোয়ননা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙবীয়ু। বি পি এলগী থাক্তা লৈরবা য়ুমদগী মপান থোক্লগা শেল অমদি চেঙ থিরিবা মীওই কয়া অমদি ময়ুমদগীসু মপান থোকহন্দ্রবা মখোয়গীদমক লৈঙাক অসিনা করি খুদোংচাবা ফংহল্লিবগে হায়বসি ময়েক শেংনা খঙহনবীবা মথৌ তারবনি। করিগুম্বা লায়না অসিনা শিহনখ্রবা ফ্রন্ট-লাইনর অমদি মীচম পুম্বা চপ মান্নবা চাং নৎত্রবসু এক্স-গ্রেসিয়া ফাওবা পীবীফম থোক্লবনি।

হৌজিক কোভিদ-১৯ থেংনবা হায়বসি লৈঙাক্কী ওথোরিটি খক নত্তনা মীপুম খূদিংমক্কী থৌদাং ওইফম থোক্লে হায়বসি মীপুম তিংনা খঙনরক্লে। লৈঙাক অমদি মীয়াম ৱাখল তামিন্নরক্লে। মসিমক মণিপুরী খুন্নাইগী লাইবক ফবা মীকুপ অমা হৌরক্লবনি। মসিবু মায় পাকহন্ননবা মণিপুর লৈঙাক্লা শুরি নোম্লিবা মীয়ামগীদমক ইমর্জেন্সি এইদ অমা শেম্বীদুনা কোভিদ-১৯গী অচঙবা লাম্মী অমমম ওইবা চঙই। মীপুম খূদিংমক লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি ঙাক্তুনা অহুমশুবা ৱেভতগী লাপ্পা লৈবা মণিপুর অমা ওইহল্লসি। লোয়ননা হৌজিক লৈঙাক্লা শেল্লিবা কোভিদ লায়না থেংননবগী চৎন-কাঙলোন অসিদা তৌহঞ্জনিংবদি এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিশিংদা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং হাংদ্রিবা এ সীশিংদসু শোয়দনা হাংহনবীয়ু। আইসোলেসন সেন্টরশিংদা লৈরিবা অমসুং হোম আইসোলেসন তৌরিবা অনাবশিংবু হান্না তৌবীরিবসিদগী খরা হেন্না হেল্থ চেক অপ তৌবীয়ু। লায়না লাইচৎ অসিবু থৱায় খুবাক্তা হাপ্পুনা মাঙ থাদুনা লাম্থেংনরিবা হেল্থক্যের ৱর্করশিংগী মথৌ তাবা মচাক-মথুমশিং ৱাৎতনা পীবীয়ু। লৈকায়-লৈকায়দা গ্রাসরুট লেভেলদা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংনা লায়না লাইচৎ অসি চেন ব্রেক তৌননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। লৈকায় লৈকায়গী লৈরিবা ভিলেজ ওথোরিটি খূদিংমক্লা কোভিদ টাস্ক ফোর্স শেম্বীদুনা লাইচৎ অসিগী ওইবা থৌদোকশিংদা মতেং পাংবা য়াবশিং তেংবাঙনবসু পি পি সী এমগী মায়কৈদগী আপিল তৌজরি। হৌজিক লৈকায় লৈকায় কয়াদা লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবগীদমক লৈঙাক্লা পীরিবা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চঙশিনবীরিবা অসিগীদমক্তসু পি পি সী এমগী মায়কৈদগী ভিলেজ ওথোরিটিশিংবু থাগৎচরি। হৌজিক্কী লৈরিবা তাঞ্জা অসিদদি ঐখোয় অমনা অমদা থংজিন্নবগী মহুৎতা ঐখোয় পুন্না পুনশিন্নদুনা লায়না লাইচৎ অসি থেংনমিন্নবা মথৌ তারে হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

'হিয়াংলম এ সীগী চেঙগী ৱাথোক অথুবদা লোইশিল্লু'

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):

হিয়াংলম এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী চেঙগী ৱাথোক অথুবদা লোইশিল্লু হায়না লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি) হিয়াংলম এ সী কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এল জে পি হিয়াংলম এ সী কম্মিটিগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগনদা সেক্রেটরি ঈ অচৌবা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেম অসিদগী মীওইবা খুন্নাইবু তুম্না মাঙহল্লগে মতাগুম তাইবং মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সিবু শীংনরক্লিবা তমথীরবা লাইচৎ কোভিদ-১৯ অনীশুবা ৱেভকী খম থেংবা চৈথেং ফংলিবা মীয়ামগী অৱাবা খরদং ওইরবসু কোক্লনবা হায়দুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান অন্ন যোজনা (পি এম জি কে এ ৱাই)গী মখাদা চৎলিবা কুমজা ২০২১গী মে অমসুং জুন থাগী ওইবা বেনিফিসরি অমদা চেঙ কে জি ৫/৫ লেম্না পীগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা চেঙ ফংহনবসু হৌনখ্রে। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কথোকপগা লোয়ননা অহিং-নুংথিল নাইদনা লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীননবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা হিয়াংলম এ সীদা চেঙগী ৱাথোক হঞ্জিন-হঞ্জিন লাকপা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। ঙসিদি হিয়াংলম এ সীগী মীয়াম্না 'মীয়ামগী চাকথুং শুনা ফংহনবীয়ু, মীয়ামগী রাইট মৎকনু' হায়বগী অকনবা খোল্লাওনা এ সী অসিগী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা লাউরক্তুনা পুমনিল নিল্লে। অতোপ্পা এ সীশিংগী মমাঙদা হিয়াংলম এ সীদগীনি হায়বদা ঈকায়বা ফাওবা ৱাফম কয়া লোকল এফ এম রেদিও চেনেলশিং অমদি সোসল মীদিয়াদা ফোঙদোক্লরকপা হৌনরক্লে।

চেরোল অসিনা হায়, এ সী অসিদা থোক্লিবা চেঙগী ৱাথোক অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মীয়াম্না চেঙ শুকফং ফংদবা অমদি চেঙ কে জি মশীং শুনা ফংদবা থা কয়া য়াওখ্রে। অদুবু অসুক কুইবা মতম অসি নোংমদি অচুম্বা তৌরক্কনি খন্দুনা লাকপদু পেন্দমিক অসিগী অৱাবনা খম থেংলবা অমসুং কর্ফিয়ুনা মপান থোকপা য়াদবনা চেঙ ৱানফম লৈতবা মতম অসিদা মীয়ামগী চাকথুং শুনা পীবীদবা হায়বসি মরম য়াম্না চাদে হায়না লোক জনশক্তি পার্টি হিয়াংলম এ সী কম্মিটিনা লৌই।

হৌজিক মীয়াম্না লাউরিবা খোল্লাউ অসি অচুম্বা খোল্লাউনি। কনাগুম্বা কনাগুম্বী অমত্তগী লন্নাই শেলদগী পীয়ু হায়বা নত্তে। মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহল্লু হায়বনি। হীরমসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরনসু অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লনবা ঐখোয় পুন্না খোঙফম চেৎনা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎমিন্নসি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লুপা লাখ ৫৮.৮৭ রোমগী লোনা য়াদবা মপানদগী পুশিল্লকপা পোৎচৈ ফারে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস) :

হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মখাদা চান্দেলদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা ঙসি মচি অমদি মোলতুককী বোর্দর এরিয়াদা থিবা হুন্না চত্থবদা লোনা য়াদবা তোঙান তোঙানবা পোৎচৈ মপান লমদগী পুশিল্লকপা লুপা লাখ ৫৮.৮৭ রোমগী হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়াওনা ফাগৎখ্রে।

চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলসকী কাঙবু অদুনা মচি অমদি কোলতুক বোর্দর এরিয়াদা তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুন্না চত্থখি। ওপরেসন অদুদা গাড়ী মরিদা পুশিল্লকপা ক্বা শুপারি, চুরূট অমদি উ বিমনচিংবা য়াওনা মীওই ৮ ফাগৎখি। মখোয়দগী ফাগৎখিবা পোৎলমশিং অদু পুন্না লুপা লাখ ৫৮.৮৭ রোম ওইগনি হায়রি।

এ আরনা পোৎকা কোন্ননা ফারবা মীওইশিং অদু লিগেল এক্সন লৌখৎনবা ফোরেষ্ট অমদি পুলিস দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

সূর্য্যকুমারনা মতেং লেপ্তুনা পাংলি

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস) :

খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমারনা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা তেংবাঙ পোৎলম য়েন্থোকপগী থৌরম মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসিসু খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা ৱাংজিং লমদিং প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর, সঙ্গাইয়ুম্ফম প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরদা ফ্রন্টলাইন ওইনা মথৌ তৌরিবা ডোক্তর, ষ্টাফ নর্সশিং অমদি খাঙবোক্কী কোভিদ পোজিটিভ ওইদুনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবদগী ইমুংদগী মপান থোকপা য়াদনা লৈরিবা ইমুং-মনুংশিংদা তেংবাঙশিং পীখ্রে।

খাঙবোক এ সীগী কোভিদ ভলন্টিয়রশিংনা হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক, গ্লোভস অমদি চেঙ, হৱাই, থুম-থাউ, আলুনচিংবা পোৎলম কয়ামরুম মফম মফম অদুদা চৎতুনা য়েন্থোকখ্রে। অমরোমদা, খাঙবোক এ সীগী মনুংদা লৈরিবা পি ঐচ সীশিংদা কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌরিবা অসিদা ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা মতেং পাংনবা হায়দুনা ভলন্টিয়র ২/২ থল্লিবা অসিদসু হেন্না চেকশিন্না মীয়ামগী মতেং পাংবা ঙম্নবা হায়দুনা মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, গ্লোভসনচিংবসু খুৎশিন্নখ্রে।

চহী ১৮গী মথক্তা লৈবশিং কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শামুরৌ হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর (পি ঐচ সী)দা চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং ঙসি কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা ভেক্সিনেসন কাপখ্রে।

শামুরৌ পি ঐচ সীগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী ভলন্টিয়র সনধাম বিজয়না পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, হান্না ওনলাইনদা রেজিষ্টর তৌরগা মরী লৈনবা সেন্টর অসিদা মীওই ২০০গী অয়াবা পীরকখি। অদুবু লাইবক থীবদি মীওই ২০০ বুক তৌরগা শুনা লাকখিদে। অদুবু কাপ্পিংবা লৈরগসু মখোয়না হান্না বুক তৌখিবনা খুদোংচাবা ফংখিদে। মরী লৈনবশিংনা অসিগুম্বা খুদোংচাদবা অসি মতুংদা অমুক থোকহন্নিংদে।

অমরোমদা ওনলাইনদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা অমসুং বুকিং তৌবা হৈতবা লায়রবা ইমুং কয়া লোয়ননা দিসএবিলিটি কয়াসু য়াওরম্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। ভেক্সিনেসন তৌবগী অয়াবা পীরিবা সেন্টর কয়াদা দিসএবিলিটিশিংসু খুদোংচাবা পীবীয়ু হায়রি। হৌজিক ভেক্সিনেসন তৌরিবা অসি কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিদগী চঙহন্দনবা হোৎনবদা অহানবা পাম্বৈ অমনি। মসিদা নত্তনা ফেস মাস্ক উপ্পা, হেন্দ সেনিটাইজর, হেন্দ গ্লোভনচিংবা অৱাৎপা লৈরিবা অসি ৱাৎতনবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনবীয়ু।

চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা ভেক্সিনেসন তৌবা মতমদা য়ারগদি মনাক নকপা সেন্টরদা ওইনা তৌবীয়ু। লম অৱাপ্পদগী লাক্লগা ভেক্সিনেসন তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা, অৱাবা কয়াসু মায়োক্লে হায়রি।

পুখ্রম্বা কাজাউ নীংশিং নুমীৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):

অপূনবা মণিপুর হুয়েন লাল্লোং লূপনা শীন্দুনা খোংমন ওক্রম চুথেক্তা লৈবা মিহুলস থাঙ-তাগী শঙলেনদা লৈখিদ্রবা ইপুধৌ পুখ্রম্বা কাজাউগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা থৌনা ফরবা অথৌবা অসিগী মফমদা হুয়েন লাল্লোংগী ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা পুখ্রম্বা কাজাউ নীংশিং নুমীৎ থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়না অপূনবা মণিপুর হুয়েন লাল্লোং লূপকী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি ও কে মোংয়াম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এংলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১দা বৃটিশকা মণিপুরগা লাম্থেংনখিবা মতম অদুদা নিংথৌ মশেল অমগা অমগা য়েংথিনবগী খুদোংচাবা লৌদুনা বৃটিশনা লাল্লোং কয়া শীল্লকখি। টিকেন্দ্রজিৎপু ফাননবা হোৎনরকপদা মায় পাক্তবদগী সনা কোনুংগী অকোয়বদা তারিবা লৈকায় লৈকায়দা য়ুম মৈ থাদুনা, নোংমৈ কাপশিন্দুনা অশোক-অপন, মীশি-মীনা থোকখি। ইনিংথৌ কুল্লচন্দ্রনা দরবার তৌখিবগা লোয়ননা ফম্নাইবশিং শুনা তীনখি। থৌনা ফরবা পুখ্রম্বা কাজাউ পীক্লিঙৈদগী হৌনা মমা লৈবাকপু নুংশিজবা, মথৌনা মরিংজেল লৈবা, নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক কথোকচরবা লান্মীগী শিনফমদা সনা কোনুংদা কাজবনি। মতমদুদা ইরৈবাক ইরমদমগী নীংতম্বা শীংনরকপা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট মিষ্টর গ্রিমৱুদপু তানা থিন্দুনা হাৎতুনা পুখ্রম্বা কাজাউনা অচঙবা লান্মী অমগী থৌদাং লৌখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি ও কে মোংয়াম্বনা থাদোরকপা অতোপ্পা চেরোল অমনা হায়, হৌজিক হৌজিক লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা শাফু লাকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোংগী থৌমীশিংনা শেমজবা কোভিদ-১৯ হুয়েন লানলোং টাস্ক ফোর্সনা কুমজা ২০২০দগী হৌনা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাক্লি। ঙসি হুয়েন লানলোংগী শিন্তাপুরেল, শিন্তাকপশিং, শিন্তাকহলশিং অমদি লৈখিদ্রবা শিন্তাকপশিংগী ইমুং-মনুংদা চান-থক্লবা মহৈ-মরোং, মনা-মশিং অমদি পোৎচৈ কয়া মতেং পাংজখ্রে। অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী কোভিদ-১৯ হুয়েন লানলোং টাস্ক ফোর্সনা চঙশিল্লকপা থবক থৌরমশিংদা ইরৈচা খূদিংমক্লা পূক্নিং থৌগৎপীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস) :

মণিপুরগী শক্লাইরবা ভেটরান আর্টিষ্ট অনী থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দগী হিজম গৌরা অমসুং কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দগী এলাংবম জয়চন্দ্রনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরি এল কিশোরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, শক্লাইরবা ভেটরান আর্টিষ্ট অনীনা লৈখিদবা অসি লমদমসিগী আর্টিষ্ট কম্যুনিটি পুম্নমক্কী অচৌবা মাঙজবদা নত্তনা ষ্টেট অসিগীসু মাঙজবনি। লৈখিদ্রবা গুরু অনী অসিগী মফমদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা ঈকায় খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা গুরু অনীগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট ৪ না মীওই ১৪৯ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা তোঙান তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ১৪৯ রোম ঙসি ফ্লাইট ৪ না পুদুনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেস্নেল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

অয়ুক্কী পুং ৯ তাবদা ইন্দিগো ৬ঈ-২২৫১ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ৪১ পুদুনা ইম্ফালদা পুরকখি। অয়ুক্কী পুং ১০.৫০ তাবদনা দেল্লী অমদি গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ১০ এয়র এসিয়া আই-৫-৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা ইম্ফালদা পুশিল্লকখি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তাবদনা কোলকাটা, গুৱাহাটি অমদি দিমাপুরদা পল্লম্বা মীওই ১২ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি।

ঙসি নুংথিল পুং ১.৪৫ তাবদনা এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ৮৬ পুদুনা ইম্ফালদা থুংখি হায়রি।

ঙসি ইম্ফালদা পাইরকখিবা ফ্লাইট মরি অদুনা হনখিবদা গুৱাহাটি, দেল্লী অমদি কোলকাটানচিংবদা চৎকদবা মীওই ইম্ফালদগী মীওই ২৪৬ পুদুনা চৎখি হায়রি। মরকসিদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা থুংলখিবা মীওইশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী পোজিটিভ ওইবা সার্টিফিকেট পায়রক্তবা মীওই অহুম আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌনবগীদমক সেম্পল লৌখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল এয়রপোর্টতা কোভিদ-১৯ গী আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌনবা ঙরাং ঈ সেম্পল মীওই ৪ লৌখিবা অদুগী রিজল্ট অদুদা নেগেটিভ ওইরম্লে হায়রি।

চেঙ কে জি ৪০/৪০ পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস) :

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা কর্ফিয়ু শাংদোকখিবদগী নোংমগী থবক শুরগা চাজবা ইমুং কয়া হৌজিক অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। লৈরিবা ফীভম অসিদা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা) লমদিং, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমদি এন বাবুলিন মৈতৈ, ফাউন্দর স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুল, খোংজেমগা খুৎশম্নরগা খম থেংনা ৱারবা ইমুং কয়াদা চেঙ কে জি ৪০/৪০ য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা য়েন্থোকখ্রে। লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা)গী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা ফোঙদোরকপদা, লমদম অসিগী খম থেংনা অৱাবা ইমুংশিং লৈঙাক্লা তৌরকপা ঙাইদুনা লৈরবদি লায়রবা মীয়াম কংদুনা শিরগনি। মরম অদুনা লৈকায় লৈকায়গী শেল-থুমগী ফীভম ফবশিংনা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

'নফসা অমসুং পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা পীথরকপা চেঙ, হৱাইশিং ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্টশিংনা লায়রবগী চাকখাও য়ৌহন্দ্রবরা'

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):

তমথীরবা কোভিদ-১৯না মীওইবা খুন্নাইবু মাঙহল্লগে মতৌগুম্বা লেপ্পা লৈতনা লান্দারক্তুনা খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) অমসুং পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা পীথরকপা চেঙ, হৱাই বেনিফিসরিশিংদা ফংহনবগী মহুৎতা ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্টশিংনা লায়রবশিংগী চাকখাও য়ৌহন্দরব্রা হায়না তোপ অৱাং লৈকায় শিংয়েন মরুপকী সেক্রেটরি খুম্বোংময়ুম পালান্দ্রো মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট কুমজা ২০১৩দগী চৎনবা হৌখ্রবসু এক্ট অসিগী কান্নবা হৌজিক ফাওবা মীয়াম্না নীংথিনা ফংদবগুম তৌরি। মরী লৈনবশিং অমগা অমগা লৌতুনবা মানবা মওংদা লৈরি। এ এ ৱাই কার্দ পায়বা মীওই অমসুং প্রাইওরিটি হাউস হোল্ড কার্দ পায়বা মীওই অমনা ফংফম থোকপা পোৎলমশিং শুনা ফংদবগুম তৌরি। ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকীদমক সেন্টরনা ট্রান্সপোর্টকী শেনফম ওইনা লুপা ক্রোর ৩০/৪০ চহী খূদিংগী থম্মী হায়রিবা শেনফম অসি সেন্টরনা চাদা ৭৫ পুথোক্লগা ষ্টেটনা ২৫ পুথোকপনি। অদুগা এজেন্ট অমনা চেঙ য়েনবগী অয়েনমল অসি কে জি অমদা পৈশা ৬৫ রিম্যুনরেসন ওইনা পী। কনষ্টিট্যুএন্সিগী মফম অয়াম্বদা ৱর্করশিংনা অমদি এজেন্টশিংনা পীগদবা চাংসু শুদনা পীরিবা চেঙ অদু লৌরো, লৌহৌদ্রবদি মতম লোইরে হায়না কিহনবগী থবকসু চথুরি। নোমিনি অমদি কন্ট্রেক্টরনা থা খূদিংগী গোদাউনদগী চেঙ চিংবা লেপ্তে। অদুগা এ সী অয়াম্বদা মতম চানা চেঙ য়েন্থোকপদি ঙমদে। লোকদাউন মনুংদা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টনা পীরকপা চেঙ, হৱাইশিং মফম কদায়দা চৎখিবনো। লোকদাউন তৌদুনা দুকান অমত্তা হাংনদবা মতমদা মিনি টাটা কয়াদা চেঙ বেগ বেগ পুরি। পুরিবা অসিনা কদায়দগী করম্না পুরক্লিবনো হায়বদু লম্বী কয়া ঙাক শেল্লিবা ষ্টেট পুলিসকী টিমশিংনা থিগৎপা তৌদনা থাদোক্লিবা অসি লৈঙাক্লা নক্লবা মরী লৈনবদগীনি হায়না লৌদবা ঙমদে। এ সী অমনা থা খূদিংগী চেঙ চাং নাইনা য়েল্লগা অতোপ্পা থংনবা এ সী অমনা চেঙ য়েন্দবা হায়বসি এ সী অদুগী মপী-মপা ওইবশিংনা মীয়াম্বু মীরাইবীবগী অচৌবা খুদমনি।

চেরোল অসিনা হায়, রুরেল এরিয়াদা লৈবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৭০ অদুগা অর্বান এরিয়াদা লৈবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৭৫ কান্নবা পীনবা হৌদোকখিবা থৌরাং অসিনা এ এ ৱাইগী মনুং চনবা খম থেংনা ৱারবা লায়রবা ইমুংশিংদা থা অমদা চেঙ কে জি ৩৫ অমসুং কে জি অমগী মমলদা লুপা ৩/৩গী চাংদা ফংহন্ননবা পান্দম থল্লি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি টার্গেটেদ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টমগী মখাদা বেনিফিসরিশিংদা য়ৌহনগদবনি। অদুবু এ সী অয়াম্বদা চেঙগী ৱাথোক কয়া ঐখোয়না তৎতনা তারি। নফসা অমসুং কোভিদকী য়েনফম থোকপা চেঙশিং মশীং শুনা ফংনদে। অমরোমদা থা খূদিংগী গোদাউনদা চেঙ থাবদি লেপ্পা লৈত্রি। এজেন্টশিংনা গোদাউনদগী লেপ্তুনা চিংথোকখিবা চেঙশিং অদু কদায়দা চৎখিবনো হায়বা ৱাহং কয়া লাক্লি।

চেঙগী ৱাথোক লৈবাক অসিদা অনৌবা নত্তে। এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অমত্তদা এক্ট অসি মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মমি তাদে। কনাগুম্বনা নফসাগী এক্ট অসিবু ভাইওলেট তৌরবা অমদি ফুদ লান্না শীজিন্নরবদি এক্ট অসিগী সেক্সন ৩৩গী মখাদা চৈরাক ফংহনবসু য়াই। মরম অসিনা কন্ট্রেক্টর অমদি নোমিনিনা নফসাগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎপীদুনা লায়রবা মীয়ামদা মতম চানা চেঙ ফংহনবীয়ু। নৎত্রবদি লৈবাক মীয়ামদা ঈরাং হৌনবা চৌবাও পীবগুম থোক্কনি। লৈঙাক্লসু হীরমসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

মীওই ১৯৮ দিটেন তৌখ্রে, ফাইন ওইনা লুপা ৬৪,১০০ খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ অনীশুবা ৱেভ মায়োক্লনবা মণিপুর লৈঙাক্লা হান্না লাউথোকখিবা চৎনা কাঙলোনশিং থওইদবা মীওইশিং মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চত্থবদা মীওই ১৯৮ দিটেন তৌদুনা ফাইন থিহনখ্রে।

কোভিদ-১৯ অসি মায়োক্লনবগীদমক লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা য়ুমদগী মপান থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্তবা, মীয়াম তিনবা মফমদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা অমদি মীয়াম পুনফমদা লোক তিন শিৎপা মীওইশিং য়াওনা মণিপুর পুলিসনা দ্রাইভ চত্থবদা মীওই ১৯৮ দিটেন তৌখি।

মখোয়শিং অদু পুলিসনা মখা তানা তৌদবনা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। মখোয়দগী ফাইন ওইনা ৬৪,১০০ রোম খোমগৎখি।

লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্তবা মীওইশিংগী মথক্তা নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫ কী মখাদা লিগেল এক্সন লৌখৎখি হায়রি। ঙসি পুলিসনা দিটেন তৌখিবা মীওই ১৯৮ অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা ১০৭ থৌবাল পুলিসনা মীওই ৬৪, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১১, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১৩ অমদি চুড়াচান্দপুর পুলিসনা ৩ দিটেন তৌখি হায়রি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্ননবা লৈঙাক্লা থল্লিবা অথিংবশিং অমদি পীরিবা গাইদলাইনশিং থুগায়বশিং ফাবগী মশীং অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা খ্বাইদগী য়াম্মী হায়রি।